# স্বর্গগী মতেং



খোমজিনবা—ৱাটসন গুডম্যান

# ৱাহৌদোক্

ঈশ্বরগী ৱাহৈদি “স্বর্গদগীনি”। মসি তশেংনা অচুম্বা থিজরিবা থম্মোইগীদমক য়াম্না কান্নে। কনাগুম্বনা পুক্নিঙ হোংলবদি পাপ থাদোকই অহুদগী কনবিবা মপুবু হায়বদি খৃষ্ট যীশুবু থৱায় য়াওনা থাজরকই, মাহুদা প্রভুনা মশামক্ থাজবা মীহুদা ফোংদোকপিহুনা মথম্মোইদা ঈংথবা অমস্যুং হারওবা পীনবি। ঐনা মসি শোক্ ১৯৩৭ তা হকথেংনজে ; অহুদগী অয়াম্বা মতম প্রভুগা ঐগগী অওকপা শরুক ফংমিন্নবা অসি তৎলক্তি। অহুনা ঐনা নখোয়দা হায়জরিবসিনি ঃ নখোয়না মহু ফংলমদ্রিবা ওইরবদি হৌজিকমাক্ প্রভুদা কৎথোকচৌ। —ৱাটসন গুডম্যান

All scriptures are taken from the Manipuri Bible with permission from the Bible Society of India.

# ঈশ্বরগী নুংশিবা

ফোংদোকপিবা ১ : ৫

অমস্তুং থাজবা য়াবা সাক্ষী, অশিবশিংদগী অহানবা পোকপা, অমস্তুং পৃথিবীগী নিংথৌশিংগী মপু ওইবা যীশু খৃষ্টগী থৌজাল অমস্তুং ইংথবা নখোয়দা লৈবিসনু। ঐখোয়বু নুংশিবিবা ইবুংঙোগী ঈনা ঐখোয়গী পাপ্তগী ঐখোয়বু থাদোকপি।

যোহন ৩ : ১৬

মরমদি ঈশ্বরনা তাইবঙপানববু অস্থুক নুংশিবিরে, হায়বদি, ইবুংঙো মহাক্কী অমতা ঙায়বা মচানিপা অহুবু পীবিরে ; অহুনা মচানিপা অহুবু থাজবা মী খুদিংনা মাঙদহুনা লোম্বা নাইদবা হিংবা ফংননবনি।

# প্রভু যীশুদি ঈশ্বরনি

অমস্তুং ঈশ্বর নীংবগী অথুপ্পা অতু অরুবনি হায়না পূন্নমক্কা য়াবনি; ইবুংঙোবু হকচাং ওইনা ফোংদোকপিরে, ইবুংঙোগী থরায়দা ধর্ম্মচেনবা ওইহল্লে, স্বর্গদূত শিংনা উরে, জাৎশিংগী মরক্তা শন্দোকলে, তাইবঙ্গপান্দা থজরে, মতিক মঙালগা লোয়ননা লৌখৎপিরে। ১ তীমোথীয় ৩ : ১৬

প্রভুনা ৱা তাকথোকপা মীবু হায়হনখিবা ৱা অতু থুংননবগী দমক পূন্নমক অসি থোক্লরে, মাতুদি, য়েংউ, নৈশাবী অশেংবী অতুনা মীরোন্দুনা মচানিপা অমা পোক্কনি, অমস্তুং মখোয়না ইবুংঙোগী মমিং ইম্মানুয়েল কৌগনি ; মাতুগী অর্থদি ঐখোয়গা লৈমিন্নবা ঈশ্বর হায়বনি।

মাথী ১ : ২২, ২৩

# যীশুদি ঈশ্বরগী মচানিপানি

যীশু খৃষ্টবু ঈশ্বরগী মচানিপানি হায়না কনাগুম্বনা হায়দোকচরববদি ঈশ্বরনা মঙোন্দা অমস্তুং মহাক্না ঈশ্বরদা ইতত্তুনা লৈ। ১ যোহান ৪ : ১৫

মরমদি নুপামচা অমা ঐখোয়গী দমক পোকলে, মচানিপা অমা, ঐখোয়গী দমক পীবিরে ; অদুগা মহাক্কী মরেংবান্দা লৈবাক ঙাকপগী দায়িত্ব লৈগনি, অদুগা মহাক্কী মমিং, অঙকপা মন্ত্রী, কনথোইবা ঈশ্বর, লোম্বা নাইদবা মপা অমস্তুং ইংথবগী যুবরাজ কৌগনি। যিশাইয়া ৯ : ৬

মরমদি ইবুংঙোদা ঈশ্বরগী ওইবগী অথনবা পূন্নমক্ হকচাং ওইনা পাল্লি। কোলোসীয় ২ : ৯

# যীশুনা মশামক কনানো হায়বত্নু ঐখোয়দা হায়

যোহান ৬ : ৩৫

যীশুনা মখোয়দা হায়, ঐমক্ অহিংবগী অচাপোৎ অত্নুনি; ঐঙোন্দা লাকপা মী অত্নু খক্ লামলোই; অমস্তুং ঐঙোন্দা থাজবা মী অত্নুনা কদৌঙৈদস্তু খৌরাংলরোই।

যোহান ১০ : ৭

মরম অত্নুনা যীশুনা মখোয়দা অমুক হায়, ঐনা নখোয়দা থাঙ্গৈশেংনমক হায়রিবনি, ঐদি য়াউশিং অত্নুগী থোঙ অত্নুনি।

যোহান ১১ : ২৫

যীশুনা মঙোন্দা হায়, হিংগৎপা অত্নু অমস্তুং হিংবা অত্নু ঐমক্নি; ঐবু থাজবা মী অত্নুনা শিরবস্তু হিংগনি।

# যীশুনা তৌখিবা অঙকপা খুদম খরা 

মাথী ২০ : ৩০, ৩৪

অমস্তুং য়েংউ, লম্বী মপান্দা ফম্বা মিত্তাংবা অনিনা যীশু চৎলি হারবা তাবদা লাউজরকই, দায়ুদকী মচানিপা, প্রভু, ঐখোয়বু নুংশিবিয়ু। অদুদা যীশুনা নুংশিবা পোক্লদুনা মখোয়গী মিৎ শোকপিরে ; অমস্তুং খুদক অদুদা মমিৎ উবা ফংজরে। অদুদগী মখোয়না ইবুংঙোগী তুং ইঙ্গরে।

লুক ৫ : ৪-৬

অমস্তুং ইবুংঙোনা ঙাংবা অদু তোক্লবদা, সীমোন্দ হায় অরুবদা হোঙ্গিন্দুনা ঙা ফাননবা নখোয়গী ঈলশিং অদু হুন্থো। মদুদা সীমোন্না খুম্লকই, ঐখোয়না অহিং নোংশোইবা নোমজরবস্থ করিমতা ফংদে ; অদুবু ইবুংঙোগী য়াথং ইন্না ঈলশিং হুন্থজগে। অমস্তুং মখোয়না অসি তৌরবদা,

ঙা শঙ্গু অচৌবা অমা উপলে ; মতুনা মখোয়গী ঈলশিং অতু শেগায়বা হোরে।

## ৬ যীশুদি শেম্বীবা মপুনি অমস্তুং প্রভুনি

মরমদি স্বর্গদস্তু পৃথিবীদস্তু লৈবা, উবা পোৎ, উদবা পোৎ, ফম্বাল মখৈ, অঙম অথৌশিং, মপুশিং, খুৎকনপাঙ্গনবশিং ওইরবস্তু, ইবুংঙোদগী পূম্নমক্ শেমখ্রবা ওইরে ; পোৎ পূম্নমক্ ইবুংঙোগী মপান্না অমস্তুং ইবুংঙোগীদমক্ শেমখ্রে। কোলোসীয় ১ : ১৬

মরম অতুনা নখোয়না ক্রোসতা হাৎখিবা যীশু অসিবু ঈশ্বরনা প্রভুস্তু খৃষ্টস্তু ওইহনবিরে হায়বা ইস্রায়েলগী ইমুং পূম্নমক্না থাঙ্গৈশেংনা খঙসনু। পাথোনচৎপশিং ২ : ৩৬

# যীশু খৃষ্টদি পূন্নমক্কী ৱায়েনবা মপুনি

অতুগা মীশিংদা পাউশন্দোক্লবা, অমসুং অহিংবশিংগা অশিবশিংদগী ৱায়েল মপু ঈশ্বরনা ওইহনবিবা অতু ইবুংঙো অসিনি হায়বা সাক্ষী পীনবা ইবুংঙোনা ঐখোয়দা য়াথং পীবিরে। পাথোনচৎপশিং ১০ : ৪২

অতুগা জাৎ পূন্নমকপু ইবুংঙোগী মাঙদা খোমজিনগনি ; য়াউশেনবনা হামেংদগী য়াউ খাইদোকপগুম, ইবুংঙোনা মখোয় অমদগী অমবু খাইদোক্কনি। মাথী ২৫ : ৩২

মরমদি মপানা কনাবুসু ৱায়েন্দে, তৌইগুম্বসুং পূন্নমক্না মপাবু ইকাইখুম্নবগুম মচানিপা অতুবু ইকাই খুম্নবা মহাক্না ৱায়েনবা পূন্নমক মচানিপা অতুদা পীখ্রে। যোহান ৫ : ২২

অমস্তুং অতৈ কনাদগীস্থ অরান খুবম লৈতে ; মবমদি মতুগী মপান্না ঐখোয়বু কনবিগদবা, মীশিংগী মরক্তা পীরবা, অতৈ মিং অমতা অতিয়াগী মখাদা লৈতে।

পাখোনচল্পশিং ৪ : ১২

মরম অতুগী দমক ইবুংঙোগী মপান্না ঈশ্বরগী মফমদা নকশিল্লকপশিংবু ইবুংঙোনা চংখোন্না কনবিবস্থ ঙমই, মরমদি ইবুংঙোদি মখোয়গী দমক রানোম্বিননবা তত্তনা হিংলিবনি।

ইব্রীয় ৭ : ২৫

যীশুনা মঙোন্দা হায়, লম্বী অতুস্থ, অচুম্বা অতুস্থ, হিংবা অতুস্থ ঐনি ; ঐগী ইপান্না নত্তনদি, মী কনা অমতনস্থ ইপাগী মফমদা থুংদে।

যোহান ১৪ : ৬

# যীশু খৃষ্টগী মপান্তনা হন্দোকপিবা

অতুগা মঙাল অতুদা অশেংবশিংগী ফংফম অতুগী শরুক ফংমিন্নবব। ঐখোয়বু মতিক্ চাবা ওইহনবিরবা নপাগী মফমদা নখোয়না থাগৎচতুনা পূমপেন পেনবা ফাওবা প্রভুগী মতিক্ চানা চৎপা ওইননবনি ; ইপা অতুনা ঐখোয়বু অমম্বগী পাঙ্গন্দগী কনবিতুনা, ইবুংঙো মহাক্কী নুংশিবা মচানিপাগী লৈবাক অতুদা ঐখোয় হোংদোকপিরে ; ঐখোয়বু হন্দোকপিবা, হায়বদি ঐখোয়গী পাপ কোকপিবা অতু মচানিপা অসিদা লৈ। কোলোসীয় ১ : ১২-১৪

ঐখোয়বু অয়োল অরাল পূম্নমক্তগী হন্দোকপিননবা অমসুং অফবা থবক্তা থরায় য়াওবা অতুগা ইবুংঙোগী মরন্নাইগী মীবু ইবুংঙো মশাগী দমক্ শেংদোকপিননবা, ইবুংঙোনা ঐখোয়গী দমক্ মশামফপু পীবিরে।

তীতা ২ : ১৪

ইবুংঙোগী ঈগী মপান্না হন্দোকপিবা, হায়বদি, ঐখোয়গী অয়োল অরান কোকপিবা, ইবুংঙো মহাক্কী যৌজানগী অয়াম্বা মতুং ইন্না ইবুংঙোদা ঐখোয়না ফংজৈ। এফিসা ১ : ৭, ৮

মরম অতুনা অতুদগী হেন্না ইবুংঙোগী ঈনা হৌজিক্ চুমহনবিরবনিনা, ইবুংঙোগী মপান্না ঐখোয়বু ঈশ্বরগী অশাওবদগী কনবিগনি। রোমীয় ৫ : ৯

লোম্বা নাইদবা থৱায়গী মপান্না ঈশ্বরগী মফমদা অমকপা লৈতনা মশামক কৎচরবা খৃষ্ট অতুগী ঈ অতুনা, হিংলিবা ঈশ্বরবু থৌগন তৌজননবা, অশিবা থবক্তগী ঐখোয়গী অচুম-অরান খঙনবা পুক্নিঙবু কয়ামুক হেন্না শেংদোকপিগবা! ইব্রীয় ৯ : ১৪

মরমদি থৌজান্না নখোয়বু থাজবগী মপান্না কনবিরে ; অদুগা অসি নখোয়দগী নত্তে ঈশ্বরগী খূদোন্নি । মী কনা অমতনা চাউথোকতননবা থবক্তগী নত্তে । এফিসা ২ : ৮, ৯

মরম অদুনা মখোয়না ইবুংঙোদা হায়, ঈশ্বরগী থবক্ পূন্নমক্ তৌননবা, ঐখোয়না করি তৌবা তাবগে ? যীশুনা মখোয়দা খুমলকই, ইবুংঙো মহাক্না থারক্লবা মহাকপু নখোয়না থাজবা হায়বা অসি ঈশ্বরগী থবক্ অদুনি । যোহান ৬ : ২৮, ২৯

মরমদি ঈশ্বরগী পোক্লবা খুদিংনা তাইবঙপানববু ঙমই ; অদুগা তাইবঙপানববু ঙমলবা মঙম অদু অসিনি, হায়বদি ঐখোয়গী থাজবনি । ১ যোহান ৫ : ৪

# ঈশ্বরগী থৌজাল

মরমদি পৃথিবীগী মথক্তা অতিয়ানা ৱাংবগুম্না ইবুংঙো মাবু কিবা মীশিংগী মফমদা ইবুংঙোগী থৌজাল অতু চাউই। ঈশৈলাইরিক ১০৩ : ১১

তৌইগুম্বসুং প্রভুগী থৌজালদি ইবুংঙোবু কিবশিংগী মথক্তা হোংবা নাইদবদগী লোম্বা নাইদবা মতম ফাওবা লৈ; অতুগা ইবুংঙোগী ধর্ম্মচেনবদি মচাশিংগী মচা ফাওবা লৈ। ঈশৈ লাইরিক ১০৩ : ১৭

প্রভুগী থৌজালতনা ঐখোয় মাঙদে, মরমদি ইবুংঙোগী নুংশি থোজালদি লোম্বা নাইদে। ইবুংঙোগী নুংশি থৌজালদি অয়ুক খুদিং নৌই; ইবুংঙোগী নিঙবিবদি য়াম্না চাউই। তেংথা ঈশৈ ৩ : ২২, ২৩

প্রভুনা হায়, লাকউ, ঐখোয় খন্নসি ; নখোয়গী পাপ পূম্বা সিন্দুর গুম্লবস্থ উলগুন্না ঙৌগনি ; ঈগুম ঙাংলবস্থ পশোৎকুমগনি। যিশাইয়া ১ : ১৮

থবক ৱানা শূবা অমস্থং পোৎলুম পুবা পূন্নমক ঐঙোন্দা চঙজরকউ; অমস্থং ঐনা নখোয়বু পোখাহনবিগনি। মাথী ১১ : ২৮

থৱায় অতুনস্থ মৌ অনৌবী অতুনস্থ হায়, লাকউ। অতুগা অতাবা মহাক অতুনা, লাকউ হায়সনু। অমস্থং খৌরাংবা মহাক অতুনা লাকসনু, অপাম্বা মহাক অতুনা হিংবগী ঈশিং অতু লেম্না থকসনু।

ফোংদোক্পিবা ২২ : ১৭

# মী পূম্নমক ঈশ্বরগী মচাশিং নত্তে

তৌইগুম্বস্থং ইবুংঙোবু লৌশিল্লবা মখৈদা, হায়বদি ইবুংঙোগী মিংদা থাজবা মখোয় অতুদা ঈশ্বরগী মচাশিং ওইরক্লনবা ইবুংঙোনা মতিক পীবিরে। যোহান ১ : ১২

অসিদা ঈশ্বরগী মচাশিং অমস্থং দিয়াবোলগী মচাশিং ফোংদোকপনি। অচুম্বা তৌদবা মী অহু অমস্থং মচিন মনাওবু নুংশিদবা মী অহু ঈশ্বরদগী নত্তে। ১ যোহান ৩ : ১০

মরমদি ঈশ্বরগী থৱায়না চিংবিরিবা মখৈ অসিদি ঈশ্বরগী মচা নিপাশিংনি। মরমদি নখোয়না অমুক্ কিননবা মীওইবগী থৱায় ফংবা নত্তে, অহুবু যোকচবা মচানিপা ওইবগী থৱায় নখোয়না ফংলে ; অহুগা ঐখোয়না আব্বা ! ইপা ! লাওজৈ। রোমীয় ৮ : ১৪, ১৫

যিশাইয়া ৫ : ১১

দ্রাক্ষারস থক্লবগী দমক অয়ুক ঙন্তা হৌগৎপা মীশিং অতুদা অৱাবনিদা অতুগা দ্রাক্ষারসনা নিশা কাহনদ্রেবমখৈ অহিং তূমদনা ঙাইথবশিংদা অৱাবনিদা।

গালাতীয় ৫ : ১৯, ২০

হৌজিক হকচাংগী থবক্ ফোংদোকলি, মতুদি অসিশিংনি :—মীরুদ্বী থম্বা, শেংদবা, অপাইবা, খম্বনবা, য়ুঙাওবা ; লমচৎ হাপ্তবা, অতুগা অসিগুম্বা মান্নবা মখৈ ; অসিগুম্বা থবক মহৌশানা তৌরিবশিং অতুনা ঈশ্বরগী লৈবাক ফংলরোই হায়বা ঐনা নখোয়দা হান্না খঙহনখিবগুম্না ঐনা নখোয়দা অসিগী মরমদা মাঙজোননা খঙহল্লি।

# পুকচেল শেংবতনা ওক্তে

মার্ক ১০ : ১৭–২২

অমহিকস্নং ইবুংঙোনা লম্বীদা অস্নম লেঙথোক্লকপদা, মী অমনা চেল্লক্তুনা ইবুংঙোগী মাংদা খুরু খুদক কুল্লগা ইবুংঙোদা হংজরকই, অফবা গুরু, লোম্বা নাইদবা হিংবা অদু ফংফম থোক্লনবা, ঐনা করি তৌজগদগে? মাহুদা যীশুনা মাঙোন্দা হায়, নঙনা ঐবু করিগী অফবা কৌবগে? অমতা ঙায়বা ঈশ্বর নত্তনা অফবা কনাস্নু লৈতে। মী হাৎকনু, নুপী লান্নগনু, হূরানগনু, চুমদবা সাক্ষী পীগনু, লৌনম তৌগনু, নপা নমাবু ইকাই খুম্নৌ, হায়বা য়াথং নহাক্না খঙই। অমস্নং মহাক্না ইবুংঙোদা হায়রকই, গুরু, পূন্নমক অসি ঐনা অঙাং ওইরিঙৈদগী ঙাকচরকই। অদুগা যীশুনা মাঙোন্দা য়েংতুনা নুংশিবিরে, অমস্নং মাঙোন্দা হায়রকই, নঙ থবক্

অমা ৱাৎলি ; চৎলো, নঙগী অরৈ অরৈবা য়োম্হোক্তুনা লাইরবশিংদা পীনৌ, অদুগা স্বর্গদা নঙগী লল লৈগনি ; অদুগা লাকউ, ইতুং ইঞ্জররাও। তৌইগুম্বস্তুং হায়রিবা অসিনা মহাক্কী মমায় মমলে, অদুগা মহাক ৱানা চথোকখ্রে ; মরমদি মহাক্ মরল য়াম্না লৈবা অমা ওইরম্মি।

## নখোয়বু মীনমহনগন্নু ১৭

অদুগা ধর্ম্মচেন্দবশিংনা ঈশ্বরগী লৈবাক ফংলোই হায়বা নখোয়না খঙদব্রা ? নখোয়বু মীনমহনগন্নু ; মরুপ্পী থম্বা, লাইমূর্ত্তি লাৎপা। মীতূ-মীৱা লান্নবা, অখৎপা থবক তৌবা, মতাও তৌনবা, হূৱানবা, কারাম্বা, য়ুঙাওবা, ৱাহৈ থীবা, অমস্তুং নমজা-নম-থেক্লবা, মখোয় অসিনা ঈশ্বরগী লৈবাক ফংলরোই। ১ কোরিন্থীয় ৬ : ৯, ১০

# পাপনা শিবা পুরকই

রোমীয় ৫ : ১২

মরম অতুনা মী অমগী মরম্না পাপ অমস্তুং পাপকী মরম্না শিবা তাইবঙপান্দা চংলে ; অতুগা অস্তুম তৌনা মী পূম্নমক্তা শিবা থংথরে, মরমদি খ্বাইমক্না পাপ ইতৌ তৌরে।

যাকোব ১ : ১৫

মাতুদা অপাম্বা অতুনা মীরোল্লবদা পাপ পোকই ; অতুগা পাপ অতুনা মপূং ফারবদা শিবা পোকই।

লুক ১৫ : ৩২

তৌইগুম্বস্তুং মাসি হরাও নুংঙাইগদবমক্নি, মরমদি ননাও অসিদি শিখিবদগী হিংলক্লবনি ; মাঙখিবদগী ফংলবনি।

যোহান ১০ : ১৭, ১৮

মরম অসিগী দমক্ ইপানা ঐবু নুংশি, মরমদি ঐনা ঐগী থরায় অমুক লৌশিন্নবা ঐনা থরায় থায়। কনানস্থু ঐঙোন্দগী ইথরায় লৌদে, অদুবু ঐ ইশা ইথন্তা থাদোকচবনি। ঐনা মাহু থাদোক্লবা ইতিক লৈ ; অদুগা ঐনা মাহু অমুক লৌশিন্নবা ইতিক লৈ ; য়াথং অসি ঐনা ইপাদগী ফংজরে।

ফোংদোকপিবা ১ : ১৮

ঐদি হিংলিবা অদুনি ; অমস্তুং ঐদি শিরক্লে, অদুগা য়েংউ, ঐদি লোম্বা নাইদনা হিংলি, অমস্তুং শিবগী অদুগা খম্নুং লৈবাক্কী শো ঐঙোন্দা লৈ।

রায়েল য়াথং অনিশুবা লাইরিক ৫ : ৭-২১

ঐগী মাঙদা নহাক্কী লাই অতৈ লৈতসন্নু। নহাক নশাগী দমক হত্তুনা য়েকপা **মুর্ত্তি** শাগন্নু, নত্রগা নোংথক্কী **স্বর্গ** নত্রগা নোংখাগী পৃথিবীদা লৈবা নত্রগা পাতালগী, ঈশিংদা লৈবা করিগুম্বা পোৎ অমতগী **মূর্ত্তি** শাগন্নু : নহাক মন্থুশিংগী সেবাস্থ তৌগন্নু···নহাক্কী প্রভু **ঈশ্বরগী** মিং অরেম্বদা লৌগন্নু, মরমদি কনাগুম্বনা ইবুংঙোগী মিং অরেম্বদা লৌরবদি প্রভুনা মহাকপু অয়োল অরাল লৈতবা ওইহললোই। নহাক্কী প্রভু **ঈশ্বরগী** য়াথং মতুং ইন্না পোত্থাবা নুমিৎ ঙাক্তুনা শেংহল্লু। নুমিৎ তরুকনি নোমলিকউ, নশাগী থবক্ পূম্বা তৌ ; তৌইগুম্বস্থং তরেৎনিশুবা

নুমিৎতি নহাক্কী প্রভু ঈশ্বরগী পোত্থাবা নুমিৎনি। নপা নমাবু ইকইখুম্নৌ, মাদু প্রভু নহাক্কী ঈশ্বরগী য়াথংনি···মী হাৎকনু। মীতূ-মীৱা লান্নগনু। হূরানগনু। কৈরোই মচাগী মায়ওক্তা মীনম্বা সাক্ষী পীগনু। নহাক্কী কৈরোইমচাগী নুপীবু কল্লক্কনু, কৈরোই মচাগী য়ুম্বু, মাগী লৌবুক নত্রগা মাগী মনাই নত্রগা মনাই নুপীবু, মাগী শলবু, নত্রগা মাগী গাধাবু, নত্রগা কৈরোইমচাগীনি হায়বা করিগুম্বা পোৎ অমতবু কারামগনু।

## নঙনা ঈশ্বরদগী নথৈবা ঙমলোই ২১

লুক ৮ : ১৭

মরমদি ফোংদোকলোইদবা অরোৎপা করিস্থ লৈতে; অতুগা খঙলোইদবা অমস্থং ফোংদোক লোইদবা অথুপ্পা করিস্থ লৈতে।

২২ মরমদি ইবুংঙোগী মিৎতি মীওইবগী লম্বেলদা লৈ, অমস্তং ইবুংঙোনা মহাক্কী খোঙচৎ লোইনা উই। ধর্ম্মচত্তবা মীশিংনা লোৎপা য়াবা অমম্বস্তং শিবগী মমিস্থ লৈতে। ইয়োব ৩৪ : ২১, ২২

প্রভুনা হায়, কনাগুম্বনা ঐনা উদনবা অরোনবা মফমদা লোৎপা ঙম্বা? ঐনা স্বর্গস্থ পৃথিবীস্থ থনবা নত্রা? প্রভুনা অসি হায়।

যিরমিয় ২৩ : ২৪

ঐনা স্বর্গদা কাখৎলবস্থ ইবুংঙো মাহুদালৈ ঐনা পাতালদা ফমুং শেমলবস্থ, য়েংউ মফমতুদা ইবুংঙো লৈ…হোয়, অমম্বনস্থ ইবুংঙোদগী লোৎতে; তৌইগুম্বস্তং অহিংনা নুংথিলগুম্না মঙাল পী ঃ অমম্বস্থ অঙানবস্থ ইবুংঙোদা অমত্তনি। ঈশৈ লাইরিক ১৩৯ : ৮, ১২

ঈশৈ লাইরিক ৯ : ১৭

ফত্তবা মীহু পাতালদা হলহনগনি অহুগা ঈশ্বরবু কাউরবা জাতিশিংস্থ হলহনগনি।

মাথী ১৩ : ৪১, ৪২

মীগী মচা নিপা অহুনা মহাক্কী স্বর্গদূতশিং থারক্কুনা, খুদি থীহনবা পূন্নমক্ অমস্থং অয়োল অরাল তৌবশিংবু ইবুংঙোগী লৈবাক্তগী খোমজিনহুনা মখোয়বু মৈগী কোমদা লংশিনগনি। মফম অহুদা কপ্পা অমস্থং ময়া ক্রক ক্রক চিকপা ওইগনি।

মাথী ২৫ : ৪৬

অমহিকস্থং পূন্নমক্ অসিনা লোম্বা নাইদবা দণ্ডিদা, তৌইগুম্বস্থং ধর্ম্মচেনবশিংনা লোম্বা নাইদবা হিংবদা চংকনি।

মরমদি ইবুংঙো মহাক্না খন্দোকখ্রবা নিপা অমনা তাইবঙপানববু অচুম্বদা রায়েনগদবা নুমিৎ অতু থাতুনা থম্বিরে। ইবুংঙো অসিবু অশিবশিংগী মরক্তগী হিঙ্গৎপিরবা অসিনা মী পূন্নমক্তা থাজফম ওইনবা ইবুংঙো মহাক্না পীবিরে।

পাখোনচৎপশিং ১৭ : ৩১

অতুনদি ঐখোয় মী খুদিংনা ঈশ্বরদা মশা মশাগী মরম পীজগনি।

রোমীয় ১৪ : ১২

অসিদা নুংশিবা অতু ঐখোয়গা চঙখোনমিন্নরে, অতুনা ঐখোয়না রায়েলগী নুমিত্তা থৌনা ফনবনি, মরমদি ইবুংঙোনা ওইরিবগুম্না ঐখোয়নসু তাইবঙপাল অসিদা ওইরি।

১ যোহান ৪ : ১৭

অতুনদি মাদি নিঙলিবা মহাক্কীস্থ নত্তে, চেল্লিবা মহাক্কীস্থ নত্তে, অতুবু নুংশিহৈবা ঈশ্বরগীনি। রোমীয় ৯ : ১৬

মরমদি ঈশ্বরনা চাউথোকপশিংবু থিংই, অতুবু নোল্লুকপশিংদা থৌজাল পীবি। ১ পিতর ৫ : ৫ (ক)

মরমদি ঐখোয়গী প্রভু যীশু খৃষ্টগী থৌজাল অতু নখোয়না খঙই ; হায়বদি, ইবুংঙোনা ইনাক্‌খুল্লম্লবস্থ, ইবুংঙোগী লাইরবগী মপান্না নখোয়না ইনাকখুনবা ওইরক্নবা, নখোয়গী মরমগী দমক্ ইবুংঙোনা লাইরবা ওইরক্লে। ২ কোরিন্থীয় ৮ : ৯

# পুক্নিঙ হোংবা

মাথী ৩ : ২

নখোয় পুক্নিঙ হোংলো, মরমদি স্বর্গ লৈবাক্ অতু নকশিল্লকলে।

পাখোনচৎপশিং ৩ : ১৯

মরম অতুনা নখোয়গী পাপ খিবিক্ মুৎখৎপিননবা নখোয়না পুক্নিঙ হোংতুনা অমুক ওল্লকউ ; অস্তুম তৌবদা প্রভুগী মাঙদগী ইংথবগী মতম লাক্লনবনি।

২ কোরিন্থীয় ৭ : ১০

মরমদি ঈশ্বরগী নিঙবিবা মতুং ইন্না পুক্নিঙ রাবা অতুনা অরান খুবম ফাওবা নিঙমদবা থোক্তবা পুক্নিঙ হোংবা ওইহল্লি ; অতুবু তাইবঙপানবগী পুক্নিঙ রাবা অতুনা শিবা থোকহল্লি।

য়েংউ, ঐনা থোঙদা লেপ্তুনা য়ৈরি ; কনাগুম্বনা ঐগী থোঞ্জেল তাহুনা থোঙ অহু হাংজরবদি ; ঐনা মাঙোন্দা চঙাহুনা মহাক্কা অহুগা মহাক্না ঐগা চামিন্নগনি । ফোংদোকপিবা ৩ : ২০

মরমদি নখোয়না মীশিংগী অয়োল অরান কোকপিরবদি, নখোয়গী স্বর্গগী নপানা নখোয়বুসু কোকপিগনি । মাথী ৬ : ১৪

ফত্তবনা মশাগী লম্বী, ধর্ম্মচেন্দবনা মশাগী ৱাখল থাদোকসনু ; অহুগা মহাক্না প্রভুগী মফমদা হল্লকসনু, মহুদা ইবুংঙোনা মহাক্কী মফমদা থৌজালবিগনি ; মরমদি ইবুংঙোনা মরাঙকায়না ঙাকপিগনি ।
যিশাইয়া ৫৫ : ৭

মথক্লোমদা লৈবা পোৎ অতুদা নখোয়গী পুক্নিঙ থম্মু, পৃথিবীদা লৈবা অতুদা থমগনু। কোলোসীয় ৩ : ২

অতুগা অমম্বগী মহৈ য়ান্দবা থবক অতুগা নপাং ওইমিন্নগনু, অতুবু অতুগী মহুত্তা মরাল ফোংদোকহল্লু। এফিসা ৫ : ১১

তাইবঙপানববু অমসুং তাইবঙপানবগী মনুংদা লৈরিবা পোৎশির অতুবু নুংশিগনু। কনাগুম্বা মীনা তাইবঙপানববু নুংশিরবদি মপাবু নুংশিবা অতু মাঙোন্দা লৈতে। মরমদি তাইবঙপান্দা লৈরিবা পূন্নমক, হকচাংনা পাম্বা, মিৎনা পাম্বা অমসুং পুন্সিগী নাপল ইপাদগী নত্তে, অতুবু তাইবঙপান্দগীনি। ১ যোহান ২ : ১৫, ১৬

মরমদি মাঙবা য়াবা মরূদগী নত্তনা, মাঙবা য়াদবদগী, হিংবা অমস্তং লেঙদনা লৈবা ঈশ্বরগী ৱা অতুগী মপান্না নখোয়বু অমুক হন্না পোকপিরে।

১ পিতর ১ : ২৩

ঈশ্বরদগী পোক্লবা মী খুদিং পাপ চেন্দে, অতুবু ঈশ্বরদগী পোকখ্রবা মহাক অতুনা মশাবু শেন্নজে, অমস্তং ফত্তবা অমা অতুনা মহাকপু শোক্তে হায়বা ঐখোয়না খঙই।

১ যোহান ৫ : ১৮

যীশুনা মাঙোন্দা খুমলকই, ঐনা নঙোন্দা থাঙ্গৈশেংনমক হায়রিবনি কনাগুম্বনা নৌনা পোক্ত্রবদি, মহাক্না ঈশ্বরগী লৈবাক অতু উবা ঙমদে।

যোহান ৩ : ৩

অমস্তং খৃষ্ট যীশুগী ওইবশিংনা হকচাং অহু মাগী অপাম্বা অমস্তং অপাইবা অহুগা লোয়ননা ক্রোসতা হাৎখ্রে। গালাতীয় ৫ : ২৪

মাহু খক ওইদসনু! পাপলোমদা শিখ্রবা ঐখোয়না মাহুদা হেন্না কুইনা করম্না পানগদগে? মতৌ অহুগুম্না নখোয়স্থ নশা, নথন্তা শিরবনি, অহুবু ঈশ্বররোমদা খৃষ্ট যীশুদা হিংলিবনি হায়না শীংথানজৌ।

রোমীয় ৬ : ২, ১১

অহুনা নখোয় খৃষ্টগা লোয়ননা হিংগৎ মিন্নরবদি, মথক্লোম অহুদা লৈবা পোৎ অহু থিয়ু, মাহুদা খৃষ্টনা ঈশ্বরগী য়েৎথংবদা ফমলিবনি।

কোলোসীয় ৩ : ১

মরমদি পাপকী অতৌমন্দি শিবনি, তৌইগুম্বস্তং ঈশ্বরগী চানবিবা খুদোন্দি ঐখোয়গী প্রভু খৃষ্ট যীশুদা লোম্বা নাইদবা হিংবনি।

রোমীয় ৬ : ২৩

অমস্তং অমতা ঙায়বা অচুম্বা ঈশ্বর ইবুংঙোবু অমস্তং ইবুংঙোনা থারকপা যীশু খৃষ্টবু মখোয়না খঙবা, মাসি লোম্বা নাইদবা হিংবা অতুনি।

যোহান ১৭ : ৩

ঐনা নখোয়দা থাঙ্গৈশেংনমক হায়রিবনি, ঐগী ৱা তাবা অমস্তং ঐবু থারকপা ইবুংঙো মহাকপু থাজবা মহাক অতুনা লোম্বা নাইদবা হিংবা ফংলে; অতুগা ৱায়েনবদা মহাক্ য়াওরোই, তৌইগুম্বস্তং মহাক্তি অশিবদগী অহিংবদা লাম্থোকলে।

যোহান ৫ : ২৪

অসিনা ঐখোয়না ইবুংঙো মাঙোন্দা অমসুং ইবুংঙো মহাক্না ঐখোয়দা ইতত্তনা লৈ হায়বা ঐখোয়না খঙই মরমদি ইবুংঙো মহাক্না ঐখোয়দা ইবুংঙো মহাক্কী থরায়দগী খাইবিরে। ১ যোহান ৪ : ১৩

অমসুং ধর্ম্মচেনবগী থবক্তি ইংথবনি ; অদুগা লোম্বা নাইদবা মতমগী দমক লেংঙদবা অমসুং চিংনবা লৈতবা অদু ধর্ম্মচেনবগী ফল ওইগনি।
যিশাইয়া ৩২ : ১৭

ঐগী য়াথং ফংলবা অমসুং মাহুবু ঙাকপা মহাক্ অদুমক্না ঐবু নুংশিবনি ; অদুগা ঐবু নুংশিবা মহাক্ অদুবু ঐগী ইপানা নুংশিগনি, অমসুং ঐনা মহাকপু নুংশিহুনা মঙোন্দা ইপা ইথন্তবু ফোংদোকচগনি।
যোহান ১৪ : ২১

ঐগী হরাওবা নখোয়দা লৈননবা, অমস্তুং নখোয়গী হরাওবা মপূং ফাহন্ননবা, ৱারমশিং অসি ঐনা নখোয়দা হায়রে। যোহান ১৫ : ১১

ইবুংঙোনা ঐঙোন্দা হিংবগী লম্বী তাকপিগনি ঃ ইবুংঙোগী খূৎ য়েক্তা মপূংফাবা হরাওবা লৈ ; ইবুংঙোগী খূৎ য়েক্তা মতম কুইনগী নুংঙাইবা লৈ।
ঈশৈলাইরিক ১৬ : ১১

ঐবু খ্বষ্টগা লোয়ননা ক্রোসতা শিমিন্নহনবিরে ; অমস্তুং হৌজিক হিংজরিবা ঐনা নত্তে, অদুবু ঐগী নুংদা খ্বষ্টনা হিংবিবনি ; অদুগা ঐনা হৌজিক হকচাংদা হিংজরিবা মহিং অদু ঐবু নুংশিবিরবা অমস্তুং ঐগীদমক্ ইবুংঙো মশামকপু পীথোকপিরবা ঈশ্বরগী মচা নিপাবু থাজবা অদুগী মপান্না ঐনা হিংজবনি। গালাতীয় ২ : ২০

# প্রভুগী হায়বা ইনবা দরকারনি

রোমীয় ৬ : ১৬

শিবা থোকহনবা পাপকী ওইরবস্থ, ধর্ম্মচেনবা থোকহনবা হায়বা ইনবগী ওইরবস্থ, হায়বা ইন্নবা নখোয় নশামক মীনাই ওইনা কথোক্লবদা, নখোয়না হায়বা ইল্লিবা মহাক অত্তুগী মীনাইশিংনি হায়বা নখোয়না খঙদ্রা ?

২ থেসলোনিকীয় ১ : ৭-১০

নখোয়বু অরা নংহনবশিংদা অৱা অনং, অমস্তুং অৱা অনং ফংবা নখোয়দা ঐখোয়গা লোয়ননা পোত্থাবা পীবা ঈশ্বরগী মিৎয়েংদা অচুম্বনি। মতম অত্তুদা ঈশ্বরবু খঙদবশিংদা অমস্তুং ঐখোয়গী প্রভু যীশুগী অফবা ৱাপাউ ইন্দবশিংদা ইবুংঙোনা লমন খুম্বিগনি। ইবুংঙোনা মহাক্কী অশেংবশিংদগী থাগৎপা ফংননবা, অমস্তুং থাজবশিং পূম্নমকপু ( মরমদি ঐখোয়গী সাক্ষী নখোয়না থাজরে ) ঙকহন্নবা, ঈবুংঙোনা লেঙবিরকপা

নুমিৎ অতুদা অতুগুম্বা মীশিংনা মখোয়গী ৱাকোং, হায়বদি, প্রভুগী মাংদগী অমস্তুং ইবুংঙোগী পাঙ্গনগী মতিক মঙান্দগী লোম্বা নাইদনা মাঙবা থাঙগনি।

## খৃষ্টবু মীগী মাঙদা য়াবা দরকারনি ৩৫

মরমদি নঙনা নঙগী নচিন্না যীশুবু প্রভুনি হায়দোকচরগনি, অমস্তুং অশিবশিংগী মরক্তগী ইবুংঙোবু ঈশ্বরনা হিঙ্গৎপিরে হায়রা নঙগী পুক্লিঙদা থাজরগদি, নঙবু কনবিগনি। মরমদি মীনা ধর্ম্মচেনবা ফংননবা পুক্লিঙনা থাজৈ, অমস্তুং অরান খুবম ফংননবা মচিন্না হায়দোকচৈ।

রোমীয় ১০ : ৯, ১০

মচানিপা অতুবু য়াদবা মী খুদিংনা মপাবুস্থ ফংদে। মচানিপা অতুবু য়াবা মহাক অতুনা মপাবুস্থ ফংই। ১ যোহান ২ : ২৩

# সৈতানসি ঐখোয়গী অচৌবা য়েক্লবনি

১ পিতর ৫ : ৮

পুক্নিঙ লাকশিল্লু, মিৎশেং খাঙউ ; নখোয়গী য়েক্লবা দিয়াবোলনা খোংলিবা নোংশাগুম্না কনাগুম্ববু চাথোক্লনবা থিহুনা কোয়চৎ চৎলি।

মাথী ৪ : ১ ; ১০, ১১

অহুদগী দিয়াবোলনা থেম্নবা যীশুবু থরায়না লমজাউদা পুখৎলে। মাহুদা যীশুনা মাঙোন্দা হায় চৎখ্রে, সৈতান ; মরমদি অসি ইহুনা লৈ, নঙনা প্রভু নঙগী ঈশ্বর অহুবু খুরুমজগদবনি, অমস্তং ইবুংঙো মহাক্তবু নিঙগদবনি। অহুদগী দিয়াবোল অহুনা ইবুংঙোবু থাদোক্লম্মি ; অমস্তং য়েংউ, স্বর্গদূত শিংনা লাক্লহুনা ইবুংঙোবু থৌগল তৌরম্মি।

পাপচেনবা মহাক অতু দিয়াবোলদগীনি ; মরমদি দিয়াবোলদি অহৌবদগী পাপ চেল্লি। দিয়াবোলগী থবক মাঙহন্ননবগী দমক ঈশ্বরগী মচানিপা অতুবু ফোংদোকপিরে। ১ যোহান ৩ : ৮

অমস্তুং মতম অতুদা ৱায়েল যাথং ইন্দবা মহাক্ অতুবু ফোংদোক্কনি ; প্রভু যীশুনা ইবুংঙোগী চিনগী নুংশাম্বোরনা মহাকপু হাত্তুনা, ইবুংঙো লেঙবিরকপা উহনবনা অরেম্বা ওইহনগনি। ২ থেসলোনিকীয় ২ : ৮

মরম অতুনা ঈশ্বরগী মখা পোল্লু ; অতুবু দিয়াবোলগা মায়ওক্লৌ, অতুগা মহাক্না নখোয়দগী চেনগনি। ঈশ্বরদা নকশিল্লু, অতুগা ইবুংঙো মহাক্না নখোয়দা নকশিনবিগনি। যাকোব ৪ : ৭, ৮ (ক)

নখোয়দা অমগা অমগা নুংশিনবা লৈরবদি, অসিনা মী পূম্নমক্না নখোয় ঐগী সেবোকনি হায়না খঙগনি। যোহান ১৩ : ৩৫

কনাগুম্বা মীনা, ঐনা ঈশ্বরবু নুংশি, হায়রগা মচিন মনাওবু তুক্কচরবদি, মহাক্তি চিন্থীবা মীনি; মরমদি মহাক্না উরবা মচিন মনাওবু নুংশিদবা মহাক অদুনা উদ্রিবা ঈশ্বরবু নুংশিবা ঙমদে। ১ যোহান ৪ : ২০

তৌইগুম্বসুং থরায়গী মহৈদি ঃ নুংশিবা, হরাওবা, ইংথবা, কুইনা খাঙবিবা, চানবিবা, অফবা, থাজবা, পুক্নিং তপ্পা, মশা খুতুম চঙবা অসিনি। গালাতীয় ৫ : ২২, ২৩ (ক)

যীশুবু ঐখোয়গী অয়োল অরানগী দমক পীথোক্লে, অমস্তং ঐখোয়বু ধর্ম্মচেনবা ওইহন্নবগী দমক হিঙ্গৎপিরে। রোমীয় ৪ : ২৫

অমহিকস্তং হুমিৎ নিপান্নিগী মতুংদা অমুক ইবুংঙোগী সেবোকশিং ইমুংদা লৈরম্মি, থোমাস্থ মখোয়গা লোয়নরম্মি। থোঙ পূন্নমক লোনখ্রবদা, যীশুনা লেঙশিল্লক্কুনা, ময়ায়দা লেপ্লগা হায়, নখোয়দা ইংথবা ওইসন্থ। মাতুদা ইবুংঙোনা থোমাদা হায়, নঙগী খুদোনবী অসি তান্না লামথোক্লকউ, অতুগা ইখুৎ অনি য়েংউ; অমস্তং লামথোক্লক্কুনা, ঐগী পুক্নোপ্তা হাপচিল্লু; অতুগা থাজদ্রবস্থ, থাজৌ। থোমানা ইবুংঙোদা খুমজরকই, হে ঐগী প্রভু, হে ঐগী ঈশ্বর! যোহান ২০ : ২৬-২৮

# যীশুগী হিগৎপা অসি ঐখোয়গী অথোইবা আশানি

রোমীয় ৬ : ৩-৫

নত্রগা, খৃষ্ট যীশুগীদা বাপ্টাইস লৌখ্রবা ঐখোয় মখৈনা ইবুংঙোগী শিবগীদা বাপ্টাইস লৌরে হায়বা নখোয়না খঙদ্রা ? মরম অতুনা মপাগী মতিক্ মঙানগী মপান্না খৃষ্টবু অশিবশিংগী মরক্তগী হিঙ্গৎপিবগা মান্ননা, ঐখোয়নসু হিংবগী অনৌবা মচৎ চৎপা য়াননবা, শিবগীদা বাপ্টাইস লৌবগী মপান্না ঐখোয়বু ইবুংঙোগা ফুম্মিন্নরে। মরমদি ঐখোয়গী ইবুংঙোগী শিবগী মতৌদা ইবুংঙোগা লোয়নননা তিন্নরক্লবদি ইবুংঙোগী হিংগৎপগী মতৌদসু ঐখোয় তিন্নগনি।

মাথী ৩ : ১১

পুক্নিঙ হোংবগী মরম্না ঈশিংদা ঐনা নখোয়বু বাপ্টাইস তৌবি ; অদুবু ঐগী ইতুংদা লেংঙলক্লিবা ইবুংঙোসিদি ঐঙোন্দগী মতিক হেল্লি ; ঐদি ইবুংঙোগী খুগ্রাং পুবা য়োনা ইতিক চাদে ; ইবুংঙোনদি নখোয়বু থরায় অশেংবদা অমস্তুং মৈদা বাপ্টাইস তৌবিগনি।

লুক ১ : ৭৪, ৭৫

ঐখোয়বু ঐখোয়গী য়েক্নবশিংগী খুত্তগী কনবিরগা, ইবুংঙো মহাক্কী মাংদা অকিবা লৈতনা, পুক্নিঙ শেংবদসু ধর্ম্মচেনবদসু ঐখোয়গী পুন্সি চুপ্পা ইবুংঙো মহাকপু থৌগন তৌজবা য়াবিননবা তৌবিরে।

তৌইগুম্বস্তুং ঈশ্বরগী থরায়না নখোয়দা লৈরবদি, নখোয়না হকচাংদা লৈবা নত্তে, থরায়দা লৈবনি। অদুবু কনাগুম্বা মীদা খৃষ্টগী থরায় লৈত্রবদি, মহাক্তি ইবুংঙোগী ওইদে। রোমীয় ৮ : ৯

অমস্তুং মখোয়না হায়জরবদা, মখোয়না তিন্নরিবা মফম অদু নিকলে ; অদুগা মখোয় পূন্নমক্ থরায় অশেংবনা থল্লদুনা, থৌনা ফনা ঈশ্বরগী ৱা ঙাংলকই। পাখোনচৎপশিং ৪ : ৩১

অমস্তুং ঐগী থরায়বু নখোয়গী নুংদা হাপপিগনি, অদুগা নখোয়বু ঐগী নিয়ম ইলহনগনি ; নখোয়না ঐগী শাসন পূম্বা ইনগনি অমস্তুং ঙাক্কনি। যিহিস্কেল ৩৬ : ২৭

অদুগা ইবুংঙো মহাক্না মখোয়গী মমিত্তগী মপি পূন্নমক তৈথোকপিগনি, শিবস্থ অমুক হন্না লৈররোই, অদুগা তেংথাবা, কপ্পা অমস্তুং নাবা অমুক হন্না লৈররোই ; অহানবা পোৎ মখৈ অদু লান্থোকখ্রে।

ফোংদোকপিবা ২১ : ৪

অচানবশা, নখোয়বু চাং য়েংননবা নখোয়গী নথক্তা লাক্লিবা মৈচাক অদুদা, করিগুম্বা অঙকপা থবক্ নখোয়দা থোকপনি হায়দুনা ঙক্কনু। তৌইগুম্বস্তুং খৃষ্টগী মতিক মঙান ফোংদোকপা মতমদা নখোয়না থোইদোক্ হেন্দোক্না নুংঙাইনা হরাওননবা, খৃষ্টগী অরা অনং খাঙবগী শরুক ফংমিন্নবা নখোয় অদুপকী মখৈ হরাওজো। ১ পিতর ৪ : ১২, ১৩

অমস্তুং খরা লৈরগা ইংথবগী ঈশ্বরনা সৈতানবু নখোয়গী খোঙখাদা তহৎহনগনি। রোমীয় ১৬ : ২০

ধর্ম্মচেনবশিংগী খুদোংথীবা য়ামই, তৌইগুম্বস্তুং পূম্নমক অসিদগী প্রভুনা মখোয়বু কনবি। ঈশৈ লাইরিক ৩৪ : ১৯

মীওইবনা খাঙবা ঙম্বা অতুদগী হেন্না অথেম্বনা নখোয়বু ফাদ্রি। তৌইগুম্বস্তুং ঈশ্বরদি থাজবা য়াবনি, নখোয়না ঙমজবা অতুদগী হেন্না নখোয়বু থেম্নবা ইবুংঙো মহাক্না য়াবিরোই, অতুবু নখোয়না খাঙবা ঙম্নবা অথেম্বগা লোয়নবা লানবিনবস্তু ইবুংঙো মহাক্না শেমবিগনি। ১ কোরিন্থীয় ১০ : ১৩

ওয়্লিবা মহাক অতুনা অসিশিং অসি ফংজগনি, অতুগা ঐনা মহাক্কী ঈশ্বর অমস্তুং মহাক্না ঐগী ইচা নিপা ওইগনি। ফোংদোকপিবা ২১ : ৭

ঐনা ওয়্লতুনা ঐগী ইপাগী ফম্বান্দা ইবুংঙো মহাক্কা ফম্মিন্নরবা অতুগুম্না, ওমলিবা মাঙোন্দসু ঐগা ঐগী ফম্বান্দা ফম্মিন্নবা পীবিগনি।
ফোংদোকপিবা ৩ : ২১

ওয়্লিবা মহাক অতুবু অসুম তৌনা অঙৌবা ফিরোন থোনবিগনি ; অমসুং ঐনা মহাক্কী মমিং অতু হিংবগী লাইরিক্তগী খক্ মুথৎপিরোই, অতুগা ঐনা মহাক্কী মমিং অতু ইপাগী অমসুং ইবুংঙো মহাক্কী দূতশিংগী মাংদা য়াবিগনি। ফোংদোকপিবা ৩ : ৫

মাথী ৫ : ৩২

তৌইগুম্বস্থং ঐনা নখোয়দা হায়রি, লান্নবা থবক্কী নত্তনা নুপী খাইনবা মী খুদিংমক্না মাবু মরা লান্নবী ওইহল্লবনি ; অমস্থং কনাগুম্বনা খাইনরবী মহাকপু লুহোংলবদি, নুগী লান্নবা থবক তৌই।

১ কোরিন্থীয় ৭ : ১০, ১১

তৌইগুম্বস্থং লুহোংবশিংদা ঐনা য়াথং পীরি, ঐনা নত্তে, অতুবু প্রভুননি, হায়বদি, নুপীনা মপু রোইবদগী খাইনদসনু (অতুবু মহাক্না খাইনরগদি লুহোংদনা লৈসনু, নত্রগা মহাক্কী মপুরোইবদা তাইশিন্নজসনু) ; অমস্থং মপুরোইবা অতুনা মহাক্কী নুপীবু থাদোক্তসনু।

অমস্তুং ঐনা চত্তুনা নখোয়গী দমক মফম থৌরাং তৌরবদি, ঐনা লৈবা মফম অদুদা নখোয়সু লৈননবা, ঐনা অমুক লাক্তুনা নখোয়বু ইনাক্তা পুজেমগনি। যোহান ১৪ : ৩

অমস্তুং মতম অদুদা অতিয়াদা মীগী মচানিপা অদুগী খুদম উগনি, অদুগা মতম অদুদা পৃথিবীগী জাৎ পূম্নমক্না থবাক য়ৈনগনি, অমস্তুং পাঙ্গনগা অচৌবা মতিক মঙানগা লোয়ননা মীগী মচানিপা অদুনা অতিয়াগী লৈচিনগী মথক্তা লেঙলকপা মখোয়না উগনি। মাথী ২৪ : ৩০

ঐ থুনা লাক্কদৌরি ; মী কনা অমতনা নঙগী লুহুপ লৌখিদননবা, নঙগী লৈজবা অদু চেৎনা পায়উ। ফোংদোকপিবা ৩ : ১১

১ যোহান ৩ : ২

অচানবশা, হৌজিক ঐখোয়দি ঈশ্বরগী মচাশিংনি, অমস্তং ঐখোয় করি ওইগদগে হৌজিক্ ফোংদোক্তি । ইবুংঙোবু ফোংদোকপিরবদি, ঐখোয় ইবুংঙো মানগনি হায়বা ঐখোয় খঙই , মরমদি ইবুংঙোনা ওইরিবমক্কুন্না ঐখোয়না ইবুংঙোবু উজগনি ।

মাথী ১৬ : ২৭

মরমদি মীগী মচানিপা অতুনা মহাক্কী মপাগী মতিক মঙান্দা মহাক্কী স্বর্গদূতশিংগা লোয়ননা লাক্কনি, অমস্তং মতম অতুদা মী খুদিংমক্তা মাগী মাগী থবক্কী মতুং ইন্না মহৈ পীবিগনি ।

# ঈশ্বরগী ৱাহৈ

ঈশৈ লাইরিক ১১৯ : ১১

ইবুংঙোগী ৱাহৈদি ঐগী থম্মোয়নুংদা থমজিঞ্জরি, মরমদি ইবুংঙোগী মায়ওক্তা পাপ তৌদনবনি।

ঈশৈ লাইরিক ১১৯ : ১০৫

ইবুংঙোগী ৱাহৈদি ঐগী খোঙগী থাউমৈনি, ঐগী লমজিং মৈঙালনি।

২ তীমোথিয় ৩ : ১৬, ১৭

শাস্ত্র খুদিংমক ঈশ্বরগী স্বোরদগী ওইবনি, অমসুং ঈশ্বরগী মীনা অফবা থবক্ খুদিংগীদমক্ মপূং ফানা লাঙলদুনা চংখোনবা ওইননবা, তম্বিনবগী দমক্, ৱারক্লবগী দমক্, চুমহনবিনবগী দমক, ধর্ম্মচেনবগী মরীদা তাকপিনবগী দমক কান্নবনি।

মৈতৈরোন্দা হন্দোকপা

এস বাবুধনসিংহ

Read booklets online or by App
www.wmp-readonline.org